**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-10.2024)**

**তোঙ্কঃ** কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগা য়ুনাইতেট নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি)গা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱারি শান্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়, মণিপুর সরকার অমসুং য়ু.এন.সিনা শরুক য়াখিবা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি শান্নবা অদুদা অনৌবা জিলা ৭ শেমখিবা, য়াওনা অতৈ ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখি। মথং থাগী ১৫ দা অমুক হন্না ৱারি শান্নবা হায়নসু য়ানখি। ৱারি শান্নবা অদুদা ভারত সরকারগী মায়কৈদগী হোম এফিয়র্স মন্ত্রালয়গী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ.কে.মিশ্রা, রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি অমসুং কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি (হোম) এন্দ অসোক কুমার অমসুং য়ু.এন.সিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

**পূজা (এল)ঃ** ঙসি নবরাত্রি কুম্মৈগী ৮ নি চনবা দূর্গা অস্তমিনি। নুমিৎ অসিদা মহাগৌড়ি লাইরেম্বী পুজা তৌই। নোংচুপ বঙ্গলা অমসুং বিহার য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদসু দুর্গা পুজা কুম্মৈ পাঙথোকরি।

মনিপুরদসু ঙসি দুর্গা পুজাগী বর নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি।

হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ঙসি বর লাই খুরুম্বগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোকখি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা লাই খুরুমবগীদমক হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী লাইশঙদা লাকখি। বর লাই খুরুম্বগা মরী লৈননা পাঙথোকপা সন্ধি পুজা য়াওনা মপুং ওইবা লাইগী থৌরমশিংদি অয়ুক অঙনবদা পাঙথোকখি।

মৈতৈ কাথে ইন্দিজেনস দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্নসু ঙসি ম্যান্মারগী মন্দলেদা লৈবা অমারাপুরা তাউনসিপ্তা ইমা পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম

পাঙথোকখ্রে।

দুর্গা পুজা কুম্মৈগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- কুম্মৈ অসিনা অফবনা ফত্তববু জয় তৌই হায়বদু উৎলি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

**মেলা (এল)ঃ** বুক কলচর-নোর্থ ইষ্টনা শিনদুনা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংদা ঙসি লাইরিক্কী মেলা অমা হৌদোকখ্রে।

ত্রাভেলিং বুক ফেয়ার হায়না মিংথোনবা মেলা অসি চয়োল অমা চুপা চপ্থগনি। মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিং-মনিপুরি সাহিত্য, অৱাং নোংপোক রাজ্যাশিংগী লাইরিকশিং অমদি অঙাংশিংগী লাইরিকশিং ফংগনি।

**কেম্প (এল)ঃ** পোষ্ট ওফিস সেভিংস স্কিম অমদি পোষ্টেও লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস পীবা অমদি একাউন্ট হাংদোকপগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ু.জে.দি. স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু নেসনেল পোষ্টেল চয়োল-শেল থুমগী লমদা শক্তি পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা শিনবনি। থৌরম অদু মনিপুর পোষ্ট ওফিস অমসুং সোসিএল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম য়ুথ সেন্টর-খুরাই খাইদোম লৈকাইনা খুৎশমদুনা শিনবনি।

**নেতাঃ** নোর্থ ইষ্টর্ন ত্রেনিজ এসোসিয়েসন (নেতা) কংলা সঙ্গোমশংগী চহী ৭০ শুরকপগী প্লাতিনম জ্বিলি থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থোরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংগী লাই-য়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি। থৌরম

অদুদা পি.ঐচ.ঈ.দি অমসুং ব্রাতর রিসোর্সেসকী জোন্ট সেক্রেটরি ঙাংবম জোগেন্দ্র খুমনচা অমসুং নেতাগী প্রসিদেন্ট লোংজম বালেস্বর শরুক য়াখি।

**ডেঃ** মালেম শিনবা থুংবদা ঙসি হন্টরনেসনেল ডে ওফ গর্ল চাইল্ডকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। নুপা নুপী থোং মান্নহনবা, মান্নবা সিক্সা অমসুং খুদোংচাবা পীবগী তঙাই ফদবা অদু খংহন্নবগীদমক পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমসি চহীগী থিমদি গর্লস বিজন ফোর দ ফ্যুচর হায়বসিনি। ভারত সরকারনসু ন্পীমচাশিংদা অহেনবা শক্তী পীনবা বেতি বচাও বেতি পরাও, উরান অমসুং সুকন্য সমরিধি য়োজনানচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

মণিপুরদসু ঙসি নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি আই.সি.দি.এস না শিন্দুনা চান্দেল খৃষ্টিয়ান ভেলেজদা লৈবা চোন মেমোরিয়েল প্লেসদ চিলদ্রেন হোমদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

**রিলিফঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা সুগনু অমসুং সেরৌদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিংদা বি.এস.এফকী ১৩১শুবা বত্তালিয়ননা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। রাম নবমিগী মাংওইননা সুগনু অমসুং সেরৌগী মীয়ামদা প্রসাতসু য়েন্থোকখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ইন্দো পেসিফিক লমদমদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা অথিংবা, অপনবা লৈতবা পুমমক্কী ওইবা চাউখৎপা অমসুং নিতি নিয়ম লৈহনবা তঙাইফদে।

মহাকা হায়-চাইনাগী সমুদ্রগী খা থংবা শরুক্তা শান্তি, তাদদু লৈতাবা ফিভম অমসুং মপুং ফাবা সুরক্সা লৈহনবা হায়বদি লমদম অসোমগী লৈবাকশিংগী অপান্বনি। লাউ পি.দি.আরগী ভেনতাইনদা পাঙথোকপা নোংপোক থংবা

এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ১৯ শুবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা ঙসি শ্রী মোদিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোক্লিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিদা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা হায়-চাউখৎপা হায়বসি তপা তপা চংশিনগদবনি, খুদুম চনশিনগদবা নত্তে।

মহাকা হায়-তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিক চথরিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিনা মালেমগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা লৈবাকশিংদা হীরম কয়াদা শোকহল্লি। মহাকা হায়-ইয়ুরেসিয়া অমসুং ৱেষ্ট এসিয়া লমদমদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিলহনবা মীপুম খুদিংমকা পাম্মী। হৌজিক্কী যুগ অসি লানগী নত্তে অমসুং সমস্যা কয়াগী ৱারোইশিন লান শোকদুনা পুরকপা ঙমলোই।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অমগী নীংখা তম্বা, অপুনবগী শক্তম অমসুং মালেমগী আইন কয়াবু ইকায় খুমবা হায়বসিসু য়ামমক তঙাইফদে। মালেমগী শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভমদা টেরোরিজমনা চাউনা চৈথেং পীরি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা টেরোরিজমনা থোকহনবা শিংনরকপা কয়া অসি মীওইবা জাতিনা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা থেংননবা হোৎনগদবনি।

মহাকা হায়-সাইভর, মেরিটাইম অমসুং ষ্টেটকী লমদসু তেংবাং পীনবগী চাং হেনগৎহনবা তাই। নোংলৈ নুংশিৎ-য়াগীনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমকপু প্রধান মন্ত্রিনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখি।

**এদুকেসন ঃ** ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগা মরী লৈননা শিক্ষা মন্ত্রালয়না লৈবাক শিনবা থুংবদা ওন লাইন ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে।

মেন্টেল হেলথ অমসুং সাইভর সেক্যুরিতিগী মতাংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস-ন্যু দিল্লিগী সাইক্যাত্রি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার-ডা: রাজেস সাগরনা ৱাখল লায়নাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। মহাকা হায়-মেন্টেল হেলথকা মরী লৈনবা

লায়নাশিং অসিগী চাদা ৫০ রোমদি নারবা মতুং চহি ১৪ গী মতুংদা খঙল্লকই। ৱার্কশোপ অদুদা ৱাখল লায়নানা নারক্লবা মতমদা করমা মায়োকগনি হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা শন্দোকা তাকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান সাইভর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্টরগী দিপ্যুতিক কম্মিস্নার ওফ পুলিস-ডা: রেসমি শর্ম্মা য়াদবনা সাইভর হাইজিনগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। সাইভর বুলিয়িং অমদি শাশিন্নবা ওন লাইন গেম এপ্লিকেসনশিংদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদসু মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখি।

**বিহার ঃ** বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা রাজ্য অদুদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা লুপা কোতি ২২৫ দাইরেক্টে বিনিফিট ট্রান্সফর (দি.বি.টি) গী খুত্থাংদা ফংহনখ্রে।

পাটনাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা মীফম অমদা শ্রী নিতিশ কুমারনা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং লাখ অহুম লিশিং ২১ দা শেনফম অসি দি.বি.টিগী খুত্থাংদা ফংহনখিবনি।

সরকার অসিনা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং অমমমদা লুপা লিশিং তরেৎ-তরেৎ পীখি।

**নোংঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অরুনাচল প্রদেশ, গুজরাত, তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। আই.এম.দি না হায়-খা থংবা বঙ্গোপ সাগরগী ময়াই থংবা শরুক্তা হয়েং নৌনা নোংলৈ নুংশিৎ শিংলবা য়াই। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং, নোংচুপ অমসুং খা থংবা ভারতকী পেনিনসুলাদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই।

**নোবেলঃ** জপানগী হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিগী এতোম বোম্বদগী হিংহৌরবা মীওইগী কাংবু-নিহোন হিদানক্যয়োদা -২০২৪ গী নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগনি।

হিবাকুসা হায়নসু খঙনবা মীওই কাংবু অসি ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎনবা অমসুং মতুংদা অমুক হন্না ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শিজিন্নদনবা মীয়ামদা পাউজেল পীবগীদমক শকখঙনরবা কাংবু অমনি। মীওই কাংবু অদুদা মনা অসি পীরগনি হায়না ওসলোদা লৈবা নোরৱেজিয়ান নোবেল ইন্সটিট্যুটনা লাউথোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাং চহিদা ইরানগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট-নারগেস মহামদদিনা লৈবাক অদুগী তুহৎপীরবা নুপীশিংগীদমক থবক কয়া পায়খৎখিববু শক খঙবা ওইনা মনা অসি পীখিবনি।

**পাকিষ্টান ঃ** পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টান প্রোবিন্সকী দুকী এরিয়াদা লৈবা কোইলাগী খনি অমদা মশক খংদবা খূৎলাই পাইবা মীওইশিংনা ঙসি অয়ুক এতেক তৌরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিরে, ৮ না শোক্লে। দুকিগী দিষ্ট্রিক্ট চ্যেরমেন খাজি খয়াল উল্লা নাশিরনা হায়-এত্তেক্ট তৌরল্লিবা মীওইশিং অদুনা হেন্দ গ্রেনেট অমদি রোকেট লোঞ্চরশিং শিজিন্নখি। এত্তেক্ট অদুগী তুংদা পুলিস, পেরা মিলিটরি ফ্রন্টিয়র কোর অমদি মী কনবা কাংবুশিং মফম অদুদা চংশিনখি। লৈবাক অদুদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিংগী মনুংদা ইকোন কোনবা ওইনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা সাংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী অৱাংবা থাক্কী মীফমগী মাংওইননা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

**শ্রীলঙ্কাঃ** শ্রীলঙ্কাদা লৈবাক অদুগী সধারন মীখলগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসি নুমিৎ য়ুংবদা লোয়শিনখ্রে। ঈথৎ লৈবাক অদুগী মীখল নবেম্বর ১৪ দা

পাঙথোক্কদবনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী মতুং ইন্না রাজনিতি দল অমদি ইন্দিপেন্দেন্টকী কাংবু পুন্না ৩৩ না মীখল অসিগীদমক মীরেপ চে পীশিল্লক্লে।

**আর্মি ঃ** ভারত লান্মীগী শক্তি হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংনবা অহানবা ওভর হোল্ড টি-নাইন্তি বিস্মা টেঙ্ক শিজিন্নবা শেম শারে।

২০২৩ দগী লান্মীগী মরুওইবা বেট্রল টেঙ্ক অমা ওইরক্লিবা টি-নাইন্তি বিস্মা অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা স্পিত, ফয়ার পৱার অমসুং প্রোটেক্সনগীদমক খঙনৈ। ওভর হোল্ড অসিগা লোয়ননা টেঙ্ক অসি হেন্না শক্তি লৈবা খুৎলায় অমা ওইরে। হৌজিক চথরিবা ভারত লান্মীদা চাউনা অওনবা পুরকপগী দেকেট অসিগী শরুক অমা ওইনা লান্মীগী মকোক জেনরেল-উপেন্দ্র ত্রিবেদিনা টেঙ্ক অসি য়াওরকপগী থৌরমদু য়েংখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ওভর হোল্ড প্রোসেস অসিদা টেঙ্ক অদু শিদোক শিজিন তৌবা অমদি য়াদবা শরুকশিং শিন্দোকপগী মওং য়াওরি।

**আরজিকর ঃ** আর জি কর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিতালগী ৱাথোক্কা মরি লৈননা চরা হেনবগী খোংজং চংশিল্লিবা জ্নিয়র ডোক্তর-অনিকেদ মহাতো অকনবা মওংদা নারে হায়রি। মহাক হৌজিক মেদিকেল কোলেজ অদুগী আই.সি.য়ুদা থমখ্রে। মহাক্কী ফীভম লূনা লৈরি।

মরক অসিদা, ডোক্তরশিংগী অপুনবা কাংবুনা মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজিদা থৌদোক অদুগী মতাংদা খূৎ থিংজিনবীনবা অমসুং ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরকবা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

**কোস্ত গার্ড ঃ** ইন্দিয়ান কোস্ত গার্ডকী মাংখিবা পাইলোট অদুগী হকচাং ঙরাং ফংবা ঙমখ্রে।

গুজরাটকী পোরবন্দরদগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর লিশিং ৫৫ রোম

চৎলগা লৈবা মফম অমদগী হকচাং অদু ফংখিবনি। ইন্দিয়ান কোস্ত গার্ডকী মতুং ইন্না মাঙখিবা পাইলোট কম্মান্দেন্ট-রাকেশ কুমার রানাবু ইন্দিয়ান নেভি অমদি অতৈ মরী লৈনবা মীওইশিংনা লেপ্তুনা থিবগী থবক চথুরকখিবনি।

মোটার টেঙ্কর-হরি লীলাদা য়াওবা ক্রু মেম্বরশিংদা অনা লায়েংগী পোৎলমশিং পীবা চৎপদা মমাং থাগী অনিগী নুমিদাংদা এদভান্স লাইফ হেলিকোপ্তর-এম.কে. থ্রি সমুদ্রদা তাশিনখিবনি। হেলিকোপ্তর অদুদা পাইলোট অনি অমসুং ইয়ার ক্রু দাইভর অনি তোংখিবনি। থৌদোক অদুগী তুংদা ইন্দিয়ান কোস্ত গার্ডনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা ক্রু অমা সমুদ্রদগী কনবা ঙমখি।

কম্মান্দেন্ট-বিপিন বাবু অমসুং প্রধান নাভিদ করন সিংহগী অশিবা হকচাংদি সেপ্তেম্বর অহুমদা সমুদ্রদগী ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়ান কোস্ত গার্ডনা অতৈ মীওইশিং অদুগী হকচাং থিদুনা লাকপনি।

**চন্দ্রকর ঃ** মহাদেব বেত্তিং এপকী মরু ওইবা প্রোমোতর অমা ওইরিবা শৌরব চন্দ্রকর ঙসি দুবাইগী ওথোরিতিনা ফারে। মহাদেব বেত্তিং এপ স্কাম ৱাথোক্তা চেন্নবা মরু ওইবা মীওই অমনি হায়বা চন্দ্রকর মমাঙ চহীদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা রেদ কোরনর নোতিস পীখিবগী মতুং ইন্না ফাবনি। পাউ খরনা হায়-মহাকপু ভারততা পুরকবগী থৌরাং তৌরে অমসুং মহাক চয়োল অমগী মনুংদা ভারত্তা পুরক্লবা য়াই।

**বেদমিন্টন ঃ** বি.ডব্লিয়ু.এফ. ৱার্ল্ড জনিয়ার বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপকী নুপীগী চহি ১৯ মখাগী সিঙ্গলসতা ভারতকী তনভি শর্ম্মা, চিনাগী সু ৱেন জিংগী খুৎতা ১৩-২১, ২১,১৯, ১৫-২১ দা মায়থিহৌরে।

আলিশা নায়কসু চিনাগী দাই কিন য়িগী খুৎতা ক্বাটর ফাইনেলদা ১৮-২১, ১৯-২১ দা মায়থিহৌরে।

নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রনয় সেতিগরনা চিনাগী ৱাং জি জ্‌নগা ঙৎস নুমিদাং থেংনগনি।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি. ৱিমেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটতা হৌজিক দুবাইগী ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগা পাকিস্তানগা শান্নরি।

ঙরাং য়ু.এ.ইদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা বঙ্গলাদেসপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি।

মরক অসিদা, ভারতকী নুপী টিমগী লেমহৌরিবা গ্রুপ মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগা নোংমাইজিং নুমিৎতা থেংনগনি। সেমি ফাইনেলদা চংনবগীদমক ভারতনা ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইনবা হোৎনবা তঙাইফদে।য়